# কোহলি অমদি রাহুলগী সেঞ্চুরিনা ইন্দিয়ানা পাকিস্থানবু রন ২২৮দা মায়থীবা পীখ্রে



**কলম্বো, সেপ্টেম্বর ১১ (এজেন্সী):**

শ্রীলঙ্কাগী আর প্রেমাদাসা ষ্টেদিয়ম, কলম্বোদা শান্নরিবা এসিয়া কপ, ২০২৩ সুপর ফোরগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা পাকিস্থান অমদি ইন্দিয়া শান্ননবগী টোস পাকিস্থাননা ঙম্বগা লোয়ননা অহানবা ফিল্ডিং খন্দুনা ইন্দিয়ানা হান্না বেট্টিং পায়খি। ইন্দিয়ানা য়াম্না চেকশিন্না অহানবা ইন্নিংস শান্নখিবা অদুদা ওপন্নর ওইনা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন রোহিট শর্ম্মা অমসুং সুবমান গীল চঙলকখি।

হৌবদগী হৌনা ইন্দিয়াগী ওপন্নরশিংনা পাকিস্থানগী বোল্লরশিংবু য়াম্না লায়না শান্নবা ঙমদুনা রন মথং-মথং লৌবা ঙমখি। কেপ্টেনসু ওইরিবা ওপন্নর রোহিট শর্ম্মানা বোল ৪৯ মায়োক্লবদা রন ৫৬ লৌরম্লগা ওভর ১৬কা বোল ৪শুবদা সহিদ খানগী বোলদা আউট তাখি। মহাক্কী মতুং ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ওপন্নর গীলসু বোল ৫২দা রন ৫৮ য়ৈরম্লগা সহিন অফ্রিদিগী বোলদা আঘা সালমাননা ওক্তুনা আউট ওইখি। মখোয় অনীগী মতুংদা থোক্লকখিবা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ভিরাট কোহলি অমদি ৱীকেট কীপ্পর কে এল রাহুলনা অশোয়বা অমত্তা য়াওদনা ওভর ৫০ লোইবা ফাওবা শান্নখি।

ইন্নিংস অদুদা হান্না ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইরম্বা ভিরাট কোহলি অমদি ৱীকেট কীপ্পর কে এল রাহুল মখোয় অনীমক সেঞ্চুরি য়ৈবা ঙম্মখি। কোহলিনা বোল ৯৪ মায়োক্লবদা আউট ওইদনা রন ১২২ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা কে এল রাহুলসু বোল ১০৬ মায়োক্লবদা রন ১১১ আউট ওইদনা লৌবা ঙম্লমখি। অপীবা ওভর ৫০ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা ৱীকেট অনী তুরগা অপূনবা রন ৩৫৬ লৌদুনা ইন্নিংস অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা ইন্নিংসকী ওইনা পাকিস্থাননা শান্নবা হৌরকপদা কয়া ফজবা ওইখিদে। ওপন্নর ফখর অহমদ অমদি ইমাম-উল-হক মথংশিংনা রন ২৭ অমদি রন ৯ লৌরম্লগা ঙন্না আউট ওইখি। মথংদা য়াম্না ফবা বেটসমেননি হায়নবা পাকিস্থানগী কেপ্টেন বাবর আজাম রন ১০ খক লৌরম্লগা আউট তাখি।

মতুং তাবদা ৱীকেট কীপ্পর মহমদ রীজৱানসু শুপ্নগী রন ২ খক লৌরমখি। লোয়ননা ওভর ২০ লোয়রকপদা পাকিস্থানগী ওইনা ৱীকেট ৪ তুরগা রন ৭৯ লৌদুনা লৈখি। পাকিস্থানগী বেটসমেনশিংনা ইন্নিংস অদু শেমগৎনবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইখি। হৈ-শিংলবা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী এটেকতা খাঙবা ঙমদনা ওভর ৩২দা পাকিস্থানগী বেটসমেন ১০ মক আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ১২৮ খক লৌদুনা ইন্দিয়াগী মখূৎতা রন ২২৮দা য়াম্না থীনা মায়থীখি।

NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEF
NEET/JEE/IIT
REGISTRATION OPEN
8 MONTHS REGULAR COURSE FOR
NEET (UG), TARGET -2024
Commencing from 1st September 2023
Why NEF (Eligibility :12th passed / Appearing)
- Study Materials with latest updation.
- Expert faculties from KOTA
- 4½ hours classes daily & Test Series on every 15 days
- Individual attention on every student.
- Special doubt clearing classes

OUR FACULTY MEMBERS
CHEMISTRY PHYSICS MATHS BIOLOGY



Rahul Kumar
* Ex Faculty member of Career Point, KOTA & Narayana IIT

L. Bidyaraj
Master from IIT, Guwahati
* Ex Faculty member of Career Point

Basant Kumar
* Ex Faculty member of Aakash Coaching Institute, Muzzafarpur
* Over 25 years of experience for JEE

Vishal Kumar
* M.Sc. Life Science
* Post Graduate diploma in bioinformatics
* Teaching experience 10 years (NEET)

7 days Free trial Classes
Admission Only after satisfaction in the Class
For more details contact : 9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai

# (মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)
# 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'

**ৱাখল্লোন অমত্তং**
**(৩২)**

হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা মীতৈ-কুকিগী লানসিদা ঐখোয় নহারোলশিং, মরুওইনা ইমা-ইবেলশিংনা থৱায় খূবাক্তা হাপ্তুনা লান্থেংনরি। মায়ওন চুম্না থেংনরকপা মতমসিদা সী এস ও মশীং য়াম্মনখ্রে হায়নরকপা, পূনশিনবদি ফৈ। অদুবু হায়জনিংবদি মণিপুরদা লৈবীরিবা ইকাই খুম্নজরবা ওজা-গুরুশিং (মণিপুর য়ুনিভর্সিটি), সিনিয়র সিটিজনশিং, ইন্টলেকচ্যুএলশিং, পেনেলিষ্টশিং খরদং ওইরবসু হান্না পূনশিনবীরে হায়রগা ফগদবা মায়কৈ অমদা মীয়াম অসি অমুক্তং পুবীয়ু হায়জনিংই। অখঙ-অহৈ ময়াম্না লেপ্পীরকপা ৱারেপ্তা কক্ঙাওনরবা মীয়াম শোয়দনা ইল্লক্কনি খঞ্জে। মরমদি থা ৪ হেল্লবা লান অসি খান্বীনবা ঐখোয়গী মী লৈত্রে হায়বা খঙলে। ৱা কয়া ঙাংলুবা য়াবা লান নত্তে। ঐখোয়না ঐখোয়গী লৈবাক কনমিন্নসি ৱা ময়াম ঙাংদবীদা। তানগদবা দিমান্দ খরদং পঞ্জরবদা (১) খূদক্তা এসেমব্লি ফম্লগা ফুরুপ-কাঙলূপ অমত্তনা মণিপুরদগী সেপরেট তানবা য়ারোই হায়না রুলিং ওপোজিসননা পূন্না ৱারেপ লৌবা, (২) কুকি এম এল এ ১০ দিসক্কালিফাইদ তৌরগা মখোয়গী মথক্তা এফ আই আর পাল্লগা লোগী ওইবা থবক লৌখৎপা, (৩) কুকি লালহৌবশিংগী সূ লৌথোক্লগা তকথোকখিবা, (৪) হাৎনশুনবগী থবক লেপহল্লগা ঈং-তপ্পা ৱারী শানহনবা হায়রিবা খোল্লাউ অসি ঐখোয় পূন্না সী এম অমদি গভর্ণরগী গেটতা নুংতিগী লাউবদা কান্নগদ্রা খঞ্জে। মীয়াম ঐখোয়গী অপান্বগী মায়োক্তা কনাসু লেপ্পা য়ারোই হায়বগী ৱাখল্লোন লৈমিন্নসি।

**অদোমগী - জিনোকুমার লাইশ্রম**
**# ৬০০৯৭৮৩৬৪২**

-------------------------

**খন্থফমদি থোক্লবনি**
**(৩৩)**

লমদম অসিগী মীয়াম মীতৈনা অসুক কন্না লান্থেংনরিবসি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা নত্তে। মীরমদগী চঙলকপা ফোরেনরশিংগনি খঙনা-খঙনা মীতৈবু অসুক তমথীনা ওৎপদি ইন্দিয়াগা লমদমসিগা করিসু মরী লৈনদ্রে হায়বগা চপ মান্নদ্রিব্রা? লৈঙাক অমা লৈ হায়বগী মীয়াম ঐখোয়গী চাওথোকচফম অমদি ঐগী সেভিয়র লৈজে হায়জনবগী লুচিংবসু লৈতবা মীনা ইনশিল্লগা চৎপা হূই ওইনা ওইখিবা, লৈবাক অমা লৈদুনা মীহুৎ লৈরিবা অসিদবু মীয়াম ঐখোয়না ইথৌদাং কয়া চানিংঙাই-থক্লিংঙাই লৈতবগী অৱাবনা য়োল্লিবা মীয়ামসিনা ওইনা লৈবাক অসিগী ঙমখে কায়বা য়ারোই হায়দুনা খূৎতা খূৎলায় পায়দুনা অফং-অফংবা পায়দুনা লান থেংনদুনা লৈরিবা মসিবু অচূম্বা লৈবাক অমগী লুচিংবা লৈবা লমদম অমগী থৌওংলো?

**অদোমগী - খোইরোম লুখোই**
**য়াইরিপোক বামোন লৈকাই, # ৭০০৫৭০৫৪৩৪**

-------------------------

**ওইজ-ওইথক তান্নদ্রবদি লান তৌরোই**
**(৩৪)**

লান অসি করিদগী ওইহল্লকপনো অমদি করম্না লেপহনগনি হায়বসি ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল তামিন্নবা চঙই। লান ওইহল্লকপগী মরমদি ফজ-ফজবা ৱাখল খল্লগা তৌদবা ময়াম্না অশোয়বনা পীক থল্লকপদা লোৎতুনা থম্বা য়ারক্তদুনা মপান থোরক্লবদা হিংমিন্নবগী শাজৎ-লীচৎতা কাঙলোন চুমদবা হৌজিক্কী অমদি তুংগী লম্বীদা অকায়বা ময়াম ওইহনবদগীনি। অদুগা লান লেপহনগে হায়রবদি লান তৌনরিবা কাঙলূপ অনীগী মরক্তসু লৈরে। লোয়ননা মীচঙ চঙদুনা শীংচেপ থাজিল্লিবা কয়ানসু অমগা-অমগা হিংমিন্নবগী লম্বীদু মুন্না খল্লগা খামদোক্লবা হোৎনফম থোকই। শারিঙৈদা মৈ য়াঙশিনবীগনু। খৎনবসি মতম পূম্নমক্তা খামদোক্কদবনি হায়বা ৱাখল্লোন ঐখোয় পূম্নমক খঙমিন্নবা মথৌ তাই। লন-থুম মাঙহল্লগা মীবু হাৎলহাৎলগা কান্নরিবসিবু করিনো? মসি পূম্নমক লুপাগী মমাংদা পঙথনরমদ্রবদি ঙসিগী অৱাবসি থোক্লমদবসু য়াই। ঐখোয় মরম চাদনা ওইজ-ওইথক তান্দুনা হিংগে খনদ্রিবমখৈ লান তৌরোই হায়বা ৱাফমসি থমজরি।

**অদোমগী - নিংঙোম্বম লোং ওন**
**ৱাহেংবম লৈকাই, ইম্ফাল, # ৬৯০৯৯৫৯৫২৪**

-------------------------

**মহৈরোইশিংগী তুংগীসু খনবীয়ু**
**(৩৫)**

মে ৩দা কুকিশিংনা নোংমৈ পায়রগা পীছ রেলি চৎপদগী হৌরকখিবা লান অসি থা ৪ হেঞ্জিল্লক্লে। কমন য়ুনিভর্সিটি এন্ট্রান্স টেষ্ট (সী য়ু ঈ টি) অসি চহী খূদিংগী জুন নৎত্রগা জুলাইদা তৌরকপনি। হৌজিক দি এম য়ুনা লৌবা বি এস সী ৪শুবা সেমিষ্টরগী এগজাম ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা লোইশিনবা ঙমদনা লৈরি। এগজাম লোইশিল্লবসু কোলেজ কারগা ক্লাস চাং নাইনা তৌনি হায়বগী থাজবদুসু লৈত্রে। ঈরাং অসিসু তম্বা ঙম্বা নত্তে, মফম অমদা কাপ্নরে হায়রগদি কর্ফিয়ু তেনশিনখিনি, লম্বী থিংজিনখিনি। হৌজিক সেপ্টেম্বর থা তঙ্খায় চঙশিল্লক্লে। পাদুনা য়েংলুরবদি ২০২৪গী জুন/জুলাই অসি থা ৯/১০ মুক্তা ঙাইশিল্লক্লে। সেমিষ্টর অনী চহী অমা চঙনা তমগদৌবদু থা ৮-৯দা লোইশিল্লবদি করিনো ঐখোয়না তমগদৌরিবসি? তেল্লবা মতম অসিদা সিলেবস কভর তৌরগা সী য়ু ঈ টি এগজাম থারগা মার্ক ৱাংবা ঙমগনি হায়বসি ওইথোক্লরোই খঞ্জে। মরমশিং অসিনা য়ারগদি মরী লৈনবশিংনা মহৈরোয়শিংগী ফ্যুচরদসু মীৎয়েং খরা চঙহন্নীংই। ইমা লৈবাকসু কায়বদি য়াদে অদুবু তুংগী য়ূম্বী ওইগদৌরিবশিং মাঙহনবসু য়াদে। অনীসিগী মরক্তা বেলেন্স অমা পুরকপা ঙমদ্রগদি গভর্ণমেন্ট অমা লৈবগী থোইনা কান্নদ্রে হায়না লৌজগে।

**অদোমগী - অহোংশাংবম কোলিন**
**লমদেং খুনৌ, লমশাং, # ৮৭৯৪০২৩৫২৯**

-------------------------

**'ইশানা ইশাগী রাইট খঙমিন্নরসি, মীকপ থোক্লসি কংলৈচা'**
**(৩৬)**

হৌরক্লিবা লান অসিদি মরুওইনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা থোকহনবনি হায়বা মতিক চারে, মরমদি মণিপুরগী শেংলবা লৈমায়সিদা ফৎত্রবা ময়াই কাবা কানি, দ্রগ শুংনবা পোপী থারিবসি করিমত্তা হায়বা ঙমদে, পোপী য়ান্থৎলুনবা চঙলুরবসু চীংনুংদগী লুমদুনা এটেক তৌরকই, অদুগা অমরোমদা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন হায়দুদি তোকখ্রো, হৌজিক-হৌজিক মীতৈশিংসে মশা ঙাকথোকচবা (সেল্ফ দিফেন্স) খক্তনি। মীতৈগীসু লান ৱাৎলি, মীতৈনা লান হৌরকপা মতমদদি... মখা তাজনিংদ্রে। অসিসু অমুক মীতৈশিংনা কুকি হাৎনবা থৌরাং তৌরে হায়দুনা অমুক লান্না লৌগদৌরিব্রা, কুকিনা মীতৈদা ওনশিনবা, সেন্ট্রেল ফোর্সনা মতেং পাংবা, অদুফাও মীতৈনা ওনখৎতুনা লান তৌরক্লবদি কুকিদি লায়রদনা সেন্ট্রেল ফোর্স ফাওবা মথিবোং চানিংঙাই লৈরোই, হন্দক ফুবালাদা থোকখিবা থৌদোক্তা সেন্ট্রেল ফোর্সকী চান-থক্লবা পুরকপশিং লম্বীদা থৎতুনা মাঙহনখিবা, অদুগা অসোমদনা মথিবোং চানিংঙাই লৈতদনা নুমিৎ ৪নি চারা হেল্লগা খোংবালগী ঈশিং থক্লগা খাঙখিবা ফাও য়াওখ্রবনি।

য়ারিবমখৈ মখোয়গী পোলিটিক্সকী ওইবা এক্ট/প্লেদা পঙথরগুমসি, লুপা ২০০০ খক্তুদা চোপ্নরগুমসি, মীকপ থোক্লসি কংলৈচাশিং, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টসি য়ারিবমখৈ মণিপুরদগী বেন তৌখ্রসি, মদুতদা মীতৈগী অশেংবা মতিকময়াই খঙগদবনি। লাকখিনি হৌজিক মা মণিপুরদা, লান লোইরসু লোইদ্রসু জান্যুৱারী, ফেব্রুৱারী অদুৱাইদা লাকখিনি, মখূৎ লোন্নরগা ভোট নীবা, মতমদুদা মানা ঙাংনিংবা ঙাংজসনু, ইরৈচা ঐখোয়না হন্নফাও মীৎচিনা য়েংগুমসি, মণিপুরগী শাষণ, হূই-হৌদোংশিংগা ওইনা ৱারী শানহনসি।

য়াইফরে য়াইফরে...

**অদোমগী - জোন্সন**
**হৈরোক-২**

-------------------------

**'মণিপুরদা থোক্লিবা লানসি লোইগদবা য়াম ৱাৎলি'**
**(৩৭)**

তৌরক্লিবা লানসি কুকিবু চুঙ্গৈাই ওইনা শীজিন্নরগা মীতৈদা লান তৌরকপনি হায়না লৌবসু য়াই। মীতৈসি লাঙ্গৈাই চল্লগা থল্লবনি ঙায়োক চফুদ্দা হাপ্লগা থম্মগা ফানিংবা হাৎনিংবা মতমদা ফাবা হাৎপা য়াবদো অদুম্মাইনা লৈরবনি।

তৌরক্লিবা লানসিগী মরম য়াম্মী খরা থমজগে।

(১) চাইনানা দোক্লামদা অচৌবা মিলিটরি বেজ শেমগৎতুনা চিক্কন নেকতা ইন্টায়র নোর্থ ইষ্ট থদৎনবা প্লান তৌখিবা কুইরে। লাদাখ অমদি অরুনাচল প্রদেশতসু লম য়াম্না লৌশিনখ্রে। চাইনানা দোক্লাম, লাদাখ অমদি অরুনাচল ফাওরগা হিমালায়ন রেঞ্জ লাল্লগা টেঙ্ক য়াওনা গ্রাউন্দ ফোর্সেস চঙলকপদা য়াম্না খূদোংচাদে, মতম য়াম্না চঙগনি। য়ুনান প্রোভিন্সতগী ম্যান্মার ফাওরগা মোরে য়ৌরকপদদি পুং ১৫দগী হেন্না চঙদে হায়বসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা খঙলকপদগী চাইনিজ এগ্রেসন দিফেন্দ তৌনবা কম্যুনেল রাওট্স থোকহল্লগা মোরে অমদি অতৈ ভলনরেবল বোর্দরদা অচৌবা ইন্দিয়ন মিলিটরি বেজ শেমগৎহৌবা ওইরম্বসু য়াই।

(২) পোপী অমদি দ্রগ ফেক্টরিদগী লাকপা প্রোফিট সেন্ট্রেল ফোর্সেস খরনসু ফংই হায়নরিসিনা চুম্লদি কুকিগী মীচং চঙবা ওইরম্বা য়াই।

(৩) গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী কালাদান প্রোজেক্ট মায় পাকপদা চিন-কুকিগী মতেং য়াম্না মথৌ তাই। ম্যান্মারদা লান তৌহল্লগা দেমোক্রেসি রিষ্টোর তৌনবা শিনবা ওইবসু য়াই।

(৪) কুকিগী অননেচরেল ভিলেজ এন্দ পোপ্যুলেসন গ্রোথ সেটলাইট মেপ্পিংদা ময়েক শেংনা তাক্লে। কুকিগী পোপ্যুলেসন ১৯০১দা ১% ওইরম্বদগী ২০২২ দা ২৯% য়ৌরকখ্রে। মীতৈ পোপ্যুলেসননা ৫৮% দগী ৪৩%দা হন্থরক্লবনা মীশীং য়াম্বা মান্নরক্লবনিনা ম্যান্মারদগীসু অহেনবা পুশিল্লক্লগা মীতৈ থুপচিনবা য়ারনি হায়দুনা কুকিনা লম লৌশিন্নবা লান তৌরক্লিনি।

(৫) মণিপুরদা ফংলিবা ভর্জিন মিনরেলশিং মীতৈ অমদি নাগানা পুথোকপা য়ারোই হায়না থিংবনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কুকিগী তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন পীনি হায়না ৱাশকহল্লগা মিনরেলশিং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা লৌবা য়ানবা লান তৌহল্লকপা ওইবসু য়াই।

সী এস ও পূনশিন্নবা হায়বসিসু ওইথোক্লোই কমন এজেন্দা/গোল ৱান ভোইসতা লাউমিন্নবা য়ানবরোমদা ওইনা পূনশিনবনা ফগনি।

**অদোমগী - য়েন্দ্রেম্বম রঞ্জন @ ইঙোচা মীতৈ**
**কংলা সিফাই, ইম্ফাল ইষ্ট, # ৮৯৭৪০০৫১৯৭**

-------------------------

**বফর জোনগী ৱাহন্থোক**
**(৩৮)**

মণিপুরদা বফর জোন ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তৌহল্লিব্রা, মসিনা তাক্লিবসি কুকিলেন্দ পীখ্রে, মখোয়গী লমদা চঙশিনবা য়াদে হায়বনি। লৈবাক অমগা লৈবাক অমগগী মরক্তা বফর জোন থম্বদি ময়াম্না লানগী মতমদা তাই, ষ্টেট অমগী মনুংদা বফর জোন থম্বসি মালেমদা চৎনদে, তৌবসু তৌনদে। অদুগা তশেংবদি মণিপুরগী লানসি পোলিটিকেল পার্টি ময়াম্না ভোট ফংননবনি হায়দুনা করিনো কনানো হায়বা খঙনা-খঙনা ভোটর চনশিনবীখিবশিংদুনা পূনশিন্নরগা প্রি-প্লান তৌরবা মতুং হৌরকপা লান ওইগনি। অসিগুম্বসি থোক্তনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ইলেক্সনগা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংদা চেকশিনহন্নিংই। মে ৩দগী ঙসি ফাওবা কুকিশিংনা মীতৈ নুপী কয়া রেপ তৌখিবা, ঐখোয়না ইকাই খুম্নজরিবা সী এমবু অথিবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নখিবা, জোইন্ট ষ্টুদেন্ট বোদি ওফ কুকিজনা ইমা-ইবেলশিংবু বোমনা ওক্কনি হায়খিবা, চীংগী মফমশিংদা কাপনিংবা মতমদা হেক্তা কাপ্তুনা লান্দারকপা, লাইরিক তমজরিবা অঙাং অনী য়াওনা মীতৈ মচা কয়া অমা কুকিশিংনা ফবীখিবা, সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা লোইজিং-লোয়াদা বফর জোননি হায়রিবা অসি তাবদা তম্বদা তুচংই থৌদোক কয়াসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা এফ আই আর পান্দুনা করম্বা এক্সন কুকিশিংদা তৌদুনা মণিপুরী মীয়ামদা উৎখ্রবগে, তশেংনা মণিপুর মীতৈ ঐখোয় মতম খরগী মতুংদদি উবা ফংগদবা মান্দ্রে হায়জনিংই।

**অদোমগী - মুতুম গোপাল সিংহ**
**ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকাই, # ৮৭৮৭৪৩৭৯৩২**

HL-P/7162/ Aug 18,20,22,24,27,29,31, Sept 2,4,6,8,10,12,14

## ꯂꯝ ꯌꯣꯡꯒꯔꯤ / লম য়োঙ্গরি

Heibongpokpi UK Main Road কা থংননা Era Package Drinking Water গী মনাক্তা লৈবা লৌ মরাক অমা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা য়াওবীরবদি মখাগী নম্বরশিং অসিদা কন্টেক্ট তৌবীয়ু।

HL-P/7765/12 # 8132088793, 9366316154

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 381/SDC/Hng/IE/2023**

(1) Kangjam Sanjit Kumar Singh, S/o (L) Kangjam Thoiba Singh of Heingang Makha Leikai
(2) Kangjam Sanjoy Singh, S/o -do- of -do-
(3) Kangjam Paikhomba Singh, S/o -do- of -do-
(4) Kangjam Pradip Singh, S/o -do- of -do- -Petitioner (s)

-Vrs-

(L) Kangjam Thoiba Singh, S/o (L) Khero Singh of Heingang Makha Leikai -O.P. (s)

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Dated : 11-9-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. 16-Heingang দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং 182 অনৌবা পাট্টা নং 49/1524, দাগ নং 1381/1548, এরিয়া 0.107 একর চাওবা Ingkhol Class অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী (শিং) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.
HL-P/7761/12

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 54/SDC/L of 2023 Dated: 24/04/2023**

1. Yengkokpam Jila Singh, S/o Yengkokpam Bira Singh of Khekman Makha Leikai
2. Yengkokpam Yaishkul Singh, S/o Yengkokpam Bira Singh of Khekman Makha Leikai
3. Yengkokpam Chandramani Singh, S/o Yengkokpam Bira Singh of Khekman Makha Leikai

- Vs -

(Late) Yengkokpam Bira Singh, S/o (L) Anganghal Singh of Khekman

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Lilong the 5th Sept., 2023

Under Section 46(3) MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি অরিবা পাট্টা নং: ৬০৯, অনৌবা পাট্টা নং: ১৩৪৬, দখল তৌরিবা দাগকী নং: ২৬৭৪, এরিয়া .১১৬৩ হেক্টর, ইংখোল, রেভেন্যু ভিলেজ নং: ৯-খেকমন হায়রিবা পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা এপ্লিকান্ট ওইরিবশিং অসিগী মিংদা পাট্টা নামা ওনশিনবীরো হায়না SDC/Lilong গী Court তা দরখাষ্ট থারকপগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ-চে অসিনা ফোংখিবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/L গী Court তা লাক্কুনা অইবা চেনা য়েৎপীরবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খুদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Lilong
HL-P/7756/12 Sept.

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref :- Mutation Case No. 443 of 2023**

1. Yambem Priya Devi, W/o (L) Yambem Ningthempishak Singh of Kwakeithel Lamdong Leikai
2. Dayananda Yambem, S/o (L) Y. Ningthempishak Singh of - do -

-VS-

Late Yambem Ningthempishak Singh, S/o (L) Y. Kulamani Singh of Lamdong Leikai

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Dated/Hiyangthang, the 11/9/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 45-Sangaiprou পাট্টা নং 197 (অরিবা) 434/826 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং .... (অরিবা) 304/491 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.075 acre একর / হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবিরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং ১৮/০৯/২০২৩ ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্কুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপতি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/7764/12 Sept.

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 231/AS & SO-X Dt. 11/9/2023**

Moirangthem Naobi Singh S/o (L) Cheitei Singh of Langthabal Khunou Mamang Leikai. - Applicant

-VS-

Late Moirangthem Cheitei Singh S/o (L) Samu Singh of Langthabal Khunou. - Opp.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Dated, 11/9/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল Khongjom খুল নং 44-Yaithibi Khunou পট্টা নম্বর E (অরিবা) 230 (অনৌবা) দাগ নম্বর 254/361, এরিয়া 0.63 একর চাওবা তাওথবি অসিগী পট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা দংকারি Moirangthem Naobi Singh দা নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X**
DSLR, Manipur
HL-P/7766/12

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

**Ref :- Mut. Case No. 232/AS & SO-X Dt. 11/9/2023**

Md. Idrish Khan S/o Md. Ajijur Rahaman of Kiyam Leitanpok. - Applicant

-VS-

Abdul Gani Mia S/o (L) Abashli Mia of Leitanpok. - Opp.

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Dated, 11/9/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পট্টা নম্বর ৩৮ (অরিবা) ১৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ১৩২৫, এরিয়া .২০০০ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী পট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পট্টাদারগী মশুনুপা মুহ: ইদ্রিশ খানদা দাগকী নোংপোক থংবা শরুক্তা হেক্টর .০৪৩০ গী লম অসি নমা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer-X**
DSLR, Manipur
HL-P/7766/12

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA

**Ref :- Mutation Case No. 51/SDC/ICH of 2023**

Thokchom Shanjit Singh, S/o (L) Gouramani Singh of Thoudam Wangmataba Mamang Leikai

-VS-

(Late) Thokchom (O) Sanahanbi Devi, W/o (L) Gouramani Singh of Thoudam

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Irong Chesaba, the 11th Sept. 2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি অরিবা পাট্টা ৭০, অনৌবা পাট্টা নং ৯৯, দখল তৌরিবা দাগকী নং ৩১৩, এরিয়া .৬৪৩১ হেক্টর ইংখোল, রেভেন্যু ভিলেজ নং ৭-থৌদামগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দাগকী মনুংদগী খা থংবা শরুক্তা .১৯৪১ হেক্টর অসি এপ্লিকান্টগী মীংদা পাট্টা নামা ওনশিনবিরো হায়দুনা SDC/ICH কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/ICH গী কোর্টতা লাক্কুনা অইবা চেনা য়েৎপিরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি হৌনবগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খুদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Irong Chesaba
HL-P/7760/12 Sept.

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG, IMPHAL EAST

**Ref :- Mut. Case No. 380/SDC/Hng/IE/2023**

Thokchom Muktarei Devi, W/o (L) Th. Ibomcha Singh of Heingang Awang Leikai -Petitioner (s)

-Vrs-

(L) Thokchom Ibomcha Singh, S/o (L) Th. Thambou Singh of Heingang Awang Leikai -O.P. (s)

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Dated : 11-9-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং. 16-Heingang দা লৈবা অরিবা পাট্টা নং 29 অনৌবা পাট্টা নং 1602, দাগ নং 755, এরিয়া .22 একর চাওবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারী (শিং) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা S.D.C., Heingang গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা S.D.C., Heingang গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চৎথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East.
HL-P/7761/12

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT, MANIPUR

**Ref: 9/SDO/LIL/Cert/2015(pt)/636 Dated, the 11th Sept. 2023**

Basirjan Bibi, W/o (L) Md. Abdul Karim of Lilong Chaobok Ipham

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Lilong the 11th Sept. 2023

Notice অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Basirjan Bibi, W/o (L) Md. Abdul Karim of Lilong Chaobok Ipham, P.O. & P.S-Lilong, Thoubal District, Manipur না মহাক্কী Legal wife Certificate পীবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC Lilong গী ওফিসতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা কোর্টতা লাক্কুনা ওবজেক্সন তৌবীরবা য়াগনি। মতুং লাকপা অপতি লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চত্থগনি।

HL-P/7760/12 Sept. **Sd/- Sub-Deputy Collector, Lilong**

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, YAIRIPOK

**Ref. Mutation case no. 236/SDC/YPK/2023 Dtd. 11/09/2023**

Parties:- Sanasam Pratap Singh S/o (L) Roben Singh of Shikhong Bazar -Petitioner

-Vrs-

(Late) Sanasam ongbi Tamusana Devi, W/o (L) Roben Singh of Shikhong -OPP

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Yairipok, the 11th Sept. 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা য়াইরিপোক তহশিল খুল নং ১১৭-শিখোং, পাট্টা নং ৫১০, অনৌবা দাগ নং ১১১ এরিয়া .২৯০০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার সনসম ওংবী তামুস্না দেবী পতি মৃ: রোবেন সিংহ সাং শিখোং অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ পাট্টাদারগী মমিং ককথৎপীরগা মহাক্কী মচা নুপা পেটিস্নরগী মিংদা নমা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নমা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা-কোর্ট অসিদা অয়েৎ-চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Yairipok, Manipur
HL-P/7767/12

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA

**Ref :- Mutation Case No. 50/SDC/ICH of 2023**

Moulana Abdul Karim, S/o (L) Mohd. Nejamuddin of Heibong Makhong Mayai Leikai.

-VS-

(Late) Nejamuddin, S/o (L) Lamjen Yangba of Maibam Konjil

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Irong Chesaba, the 5th Sept. 2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি অরিবা পাট্টা নং ২৮৩, অনৌবা পাট্টা নং ২০১, দখল তৌরিবা দাগকী নং ১১৩৩, এরিয়া .৩৬৩৭ হেক্টর, তাওথবী, রেভেন্যু ভিলেজ নং ৪-মাইবম কোঞ্জিলগী হায়রিবা পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মচা ওইরিবা এপ্লিকান্ট অসিদা পাট্টা নামা ওনশিনজরগে হায়দুনা SDC/ICH কোর্টতা দরখাষ্ট থারকপগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোংখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/ICH গী কোর্টতা লাক্কুনা অইবা চেনা য়েৎপিরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি হৌনবগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খুদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Irong Chesaba
HL-P/7756/12 Sept.

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref: R.R. No. 169/SDC/LCH(LC) of 2023**

Sharungbam (O) Memtonbi Devi, S/o (L) Sh. Rojen Singh of Haoreibi Mayai Leikai

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**
Lilong Chajing 11th Sept. 2023

Notice অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, Sharungbam Rojen Singh CID (Tech) দা থবক তৌরম্বা অসি হৌখিবা তাং ২৫/০৬/২০২৩ ইংদা লৈখিদ্রে মরম অদুনা মহাক্কী লোইনবী Smt. Sharungbam (O) Memtonbi Devi গী Legal Wife Certificate পীবীয়ু হায়দুনা মরী লৈনবা চে-চাংশিং লাক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা কনাগুম্বীশিংনা পাউ চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা SDC Lilong Chajing গী Office তা লাকপিদুনা Objection তৌবিরবা য়াগনি। মতুং লাকপা অপতি লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West
HL-P/7758/12 Sept.